# হুইয়েন লানপাও

Vol. 42, Issue No.203 | লৈবাকপোকপা, মেরা ৭নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, October 16, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা এ আরগী পর্সনেল-শিংনা গাড়ীশিংদা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং পুৱা হায়না চেক তৌবা



ন্যু কুম্বী এন্দ মতিং লৈবা কুম্বীচাশিংনা শীন্দুনা কুম্বী টোক্সিজ, কুম্বী কৈথেলদা পাঙথোকপা ফাইনান্সিএল লিটরেসি কেম্পেন থৌরমগী শক্তম



লামায় ৫

চুড়াচান্দপুর সেক্তর অসাম রাইফলসকী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২০ ফাওবা চথখদবা আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লিদা শরুক য়ারিবশিংগী শক্তম অমা



লামায় ৫

লালহৌলূপশিংগী টোটেল সট দাউন, জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মরম ওইরদুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মরুওইবা লম্বীশিং খুন্তাক লানশিবগী শক্তম অমা



লামায় ১

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৮.৪৬

দিজল : লিটরদা লুপা ৭১.২০

## হেন্দকফ চল্লগা পুবশিংদা মীৎয়েং চঙগনি : সী এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস) :

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফাদুনা লৈরিবা ওজা হোস্পিটালদা মেদিকেল চেপ অপকী পুরকপদা হেন্দকফ চল্লগা পুবগী মতাংদা তঙাইফদ্রবদি পর্সনেলশিং অদুগী মথক্তা মীৎয়েং চঙগনি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

রাজ ভবন ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকপগী থৌরম য়াওবা লাকপদা পাউমীশিংগা ৱারী শানবদা মহাক্না হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্লবা কন্না হোৎনরি। ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা কোর্টতা কেস তৌরক্লগদি পন্থনবগী মরম ওইগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটরগা য়ুনিভর্সিটিগী তংদু লৈতাবা ফীভম লাকহন্নবগী ৱারী শানখ্রে।

এম য়ুগী ফাজিন্দুনা লৈরিবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং অথুবদা থাদোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। লোগী ওইবা করি লৈবগে হায়বদুসু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। ফাদুনা লৈরিবা ওজাশিংগী মরক্তগী মশা মেদিকেল চেক অপ তৌনবগীদমক পুলিসনা হোস্পিটালদা পুরকপা মতমদা হেন্দকফ চল্লগা পুথোরকই হায়বা ৱাফম অমসু তারে। তঙাইফদ্রবদি পর্সনেলশিং অদুগী মথক্তা মীৎয়েং চঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## সেমিনার পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ : মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদনা শীন্দুনা হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবদা সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী মিনি কনফরেন্স হোলদা দিজিটেল পেমেন্ট মিসন ইন হন্দ্রেদ স্মার্ট সিটিজ হায়বা হিরমসিদা সেমিনার অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## HL POLL

**Q :Loktak downstream project paikhatpagi khongthang thenglaba-su thengna aphaba khongthangni khanbra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Prof. Yugindro na High court ki yathang singnaduna Supreme court ta chatlisi chatpham thoktabra?**

Yes 25% No 75%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৬৮ °C | ১৬.৭১ °C |
| চান্দেল | ৩৩.৫৬ °C | ১৫.৫১ °C |
| সীসীপুর | ২৮.০৮ °C | ১৭.৯২ °C |
| ইম্ফাল | ২৯.১৬ °C | ১৫.৩৫ °C |
| সেনাপতি | ২৩.৩১ °C | ১১.১০ °C |
| তমেংলোং | ৩২.০৬ °C | ১৩.৮০ °C |
| থৌবাল | ২৭.২০ °C | ১৭.৫৬ °C |
| উখ্রুল | ২৪.০২ °C | ১১.৫৯ °C |
| মণিপুর | ৩৩.৫৬ °C | ১১.১০ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.১১ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৩

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৭

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 85.501266 |
| US Dollar | 73.776755 |
| British Pound | 96.941043 |
| Australian Dollar | 52.656284 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.662353 |
| Japanese Yen | 0.660440 |
| Malaysian Ringgit | 17.754354 |
| Norwegian Krone | 9.043255 |
| Singapore Dollar | 53.618261 |
| South Korean Won | 0.065363 |
| Swedish Krona | 8.244885 |
| Turkish Lira | 12.739196 |
| Myanmar Kyat | 0.04646 |
| Bangladesh Taka | 0.880427 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32705.88 |
| Mumbai | – | Rs 33155.08 |
| Delhi | – | Rs 33155.08 |
| Kolkata | – | Rs 33454.55 |

# মীয়াম্না য়াবা সী এমশিংগী মনুংদা তশুবা তাখ্রবা এন বিরেন গভর্ণরনা ওকখ্রে

*গুৱাহাতিদগী মপান লৈবাক্তা পাইগদবা ফ্লাইটশিং মণিপুরদা হান্না তাহন্নবা তক্লৌ হায়না সী এমদা গভর্ণরনা থৌদা পীখ্রে।*



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়া টুদেগী পোলিটিকেল ষ্টোক এক্সচেঞ্জগী মতুংইন্না লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা অহুমশুবদা লৈ হায়না লাউথোকখ্রবা নোংথোম্বম বিরেন মণিপুরগী গভর্ণর নজমা হেপ্তুলানা তরাম্না ওকখ্রে।

রাজ ভবন ইম্ফালদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা চীফ মিনিষ্টর ওকপগী থৌরম অদুদা গভর্ণরনা কেক কত্তুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা মচেৎ অমা ইন্দুনা পূক্লিং থৌগৎখি। সী এম নোংথোম্বম বিরেননসু কেক মচেৎ অমা লৌরগা গভর্ণরদা ইন্দুনা হরাও-নুংঙাইবা ফোঙদোকমিন্নখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু তরাম্না ওক্লদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎ-লোনগী ময়োল ওইগদবা টুরিজম চাউখৎহন্নবগীদমক গুৱাহাতিদগী মপান লৈবাকশিংদা পাইগদবা ফ্লাইটশিং মণিপুরদা হান্না তাহন্ননবা মরী লৈনবশিংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনন তকশিনহন্নিংই।

ষ্টেটসিদা পুথোকখিবা সী এমশিংগী মনুংদা এন বিরেননা খ্বাইদগী অফবা সী এম ওইরে। সী এম, এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসি পায়রকখিবা চহী অমা মখায়রোম অসিদা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক অমদি য়াইফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপা ঙমখি। ষ্টেট অসি মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি। মণিপুর অসি লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংনা শকখঙলে। অসামগী বোর্দরগী ৱাংমদসু য়াম্না ফজবা কয়া লৈরি হায়বা মীয়াম্না খঙনরক্লে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিদা টুরিজম অমদি হোস্পিটালিটি ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্নবা কন্না হোৎনরক্লি। ষ্টেট অসিদা মপান লমদগী মীওই কয়াসু লাক্লদুনা থবক কয়া পায়খৎনবা মীৎয়েং থম্ন রক্লি। নর্সিং কোলেজ, ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিটনচিংবা লিংখৎনবা মীৎয়েংসু থম্ন রক্লি। ক্যয়েটতগী লাকপা ক্বাক গেঞ্জেজ পৱার প্রাইভেট লিমিটেদ কৌবা এন জি ও অমনা সোলর এনর্জি প্লান্ট পায়খৎনবগী মীৎয়েং থল্লক্লি। মসি ষ্টেট অসিগী ওইনা অফবা অমনি। মণিপুরগী মিং অসি লৈবাক অসিগী ঙমখৈ লান্না মমিং চৎলে হায়নসু মখা তাখি।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন কুমজা ২০১৭ গী মার্চতা বি জে পি লেজিসলেচরস পার্টি মণিপুরগী লিদর ওইনা খনখি। কুমজা ২০১৭ গী মার্চ ১৫ দা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। চীফ মিনিষ্টর অসিগী লুচিং মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মখা লামায় ৩ কলম ২

# জর্নেল সিংহনা অহানবা ওইনা প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রো উনখ্রে

## ফাজিল্লিবশিং থাদোক্লবা এদভোকেট জেনরেলগা ৱা তানখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচএনএস):

এম য়ুগী তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি লোইশিনহন্দুনা মহৈ-মশিন তম্বরোমদা পূক্লিং চঙহন্নবা হায় কোর্টনা হাপখিবা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা প্রোফেসর কাঙুজম য়ুগিন্দ্রো উনদুনা হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱারী শানখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা এদমিনিষ্ট্রেটরগী মনাক্তা প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রো লাকখি। এম য়ুগী এ ব্লোক্তা মখোয় অনী পুংখায় অমা হেন্না ৱারী শানখি। ৱারী শানবা লোইখ্রবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিগী থৌপুবশিংসু এদমিনি-ষ্ট্রেটরনা কৌদুনা ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা তোখায় তোখায়না ৱারী শানখি।

অনৌবা খোঙথাং অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) গী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম দয়ামননা পাউচে অসিদা হায়খি, এদমিনি-ষ্ট্রেটরনা প্রোফেসর য়ুগিন্দ্রো ৱারী শানরবা তুংদা কন্দিসন অমগী মখাদা কেসকী ফাইনেল রিপোর্ট হন্দোকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী মখা তানা য়েৎলরোই হায়না অয়াবা পীরে। মহাক্কী কন্দিসন অদুদি এফ আর আই হন্দোকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়েৎত্রবনিনা কনাগুম্বনা মহাক্কী মথক্তা দিফেমেসন নৎত্রগা অতৈ মখলগী কেসশিং চথদবা হায়বসিনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রোগী ৱাফম অদু মুসু, মুতা অমসুং মুসাগী মায়কৈদগী য়ারে। অদুবু কৈশুমশঙদা লৈরিবা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিং থাদোকপা হায়বদুদি কোর্টকী মনুং চনবনা কমদৌনা থাদোকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা লোগী ওইবা ৱারমশিং খঙননবগীদমক এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহগা প্রোফেসার কে য়ুগিন্দ্রোগা পুন্না সেক্রেটরিএটতা এ জিগী ওফিসতা চৎতুনা এদভোকেট জেনরেল এন কুমারজিৎ উনখি হায়রি।

অদুবু কৈশুমশঙদা লৈরিবা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিং অদুনা মতুং তারকপদা লোগী ওইবা মতেং লৌরক্তনবা ৱাফম অমখক প্রোফেসর কে য়ুগিন্দ্রোগী মায়কৈদগী পুখৎলকপদগী মুসুগী টিম অমা কৈশুমশঙদা চৎতুনা ফাদোকশিং উনখি। মখোয়না য়ুনিভর্সিটি কম্যুনিটিনা লৌবা ৱারেপতা মখোয়সু য়াগনি হায়রকখি। অদুবু ঙসিগী ওইনা পাউ ফাওনবদা মতম থেংখিবদগী ৱারী মখা তানা শানখিদ্রে। হয়েং এদমিনিষ্ট্রেটরগা অমুক হন্না উনদুনা ৱারী শানগনি হায়রি।

মরক অসিদা, ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন উনখ্রে। এম য়ুগী ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবা হায়জবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা পাউ তমখি হায়রি।

এদমিনিষ্ট্রেটরনা লৌরিবা থৌদাং অমসুং মহাক্না চীফ মিনিষ্টর অমদি এদভোকেট জেনরেলনচিংবা মথং মথং উনদুনা ৱারী শানখিবদুনা মরম ওইরগা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ওজা অমসুং মহৈরোয়শিং অদু ঙসি নুমীদাংৱাইরম কৈশুমশঙদগী থোরক্লগনি হায়দুনা মহৈরোয় কয়ানা খৌরাংনা ঙাইনখি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি অসিদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা পুরক্তুনা মহৈ তম্বা হৌহন্নবা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অনী হয়েং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মখা তানা খন্নগদৌরি। খন্নবা অদুদা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এ পি পান্দেনা থারকপা ৱাকৎ অদুসু য়াওগনি হায়রি।

# য়েনগী মখোঙদগী লেদর শেম্নগা বেগ শাগদৌরি

*অসেম বেবিচা*



ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ :

চাননবা শদোং লৌথোক-খ্রবা তুংদা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা য়েনগী মখোঙদগী লেদর শেমদুনা বেগ শাননবা মণিপুরদা অখন্নবা থৌরাং অমা পায়খৎপা হৌখ্রে।

হায়রিবা থৌরাং অসি চেন্নাইদা লৈবা সেন্ট্রেল লেদর রিছার্স ইনষ্টিট্যুট লেবোরেটরিনা দিভলপ তৌবা টেক্নোলোজি অদু শীজিন্নরগা য়েন মখোঙদগী লেদর ওন্থোকপগী থৌরাং অসি পায়খৎকদবনি। মসিনা নুপীশিংগী বেগ, খোঙউপনচিংবা শারগা শীজিন্নবদা অতৈ লেদরগী পোৎকুম্না ফজবা মরম্না থৌরাং অসি মণিপুরদা পায়খৎননবা মীৎয়েং চঙনরকপনি।

কাউন্সীল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দ-ষ্ট্রিএল রিছার্স (সী এস আই আর)-নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (এন ঈ আই এস টি) গী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ব্রাঞ্চ ওফিসতা মথৌ তৌরিবা প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা পাউচে অসিদা হায়খি, য়েনগী মখোঙদগী লেদর শেম্বগী মতাংদা য়াম্না থুনা ট্রেনিং হৌনবা হোৎনরি। হৌজিক-মক্কী ওইনদি নবেম্বর থাদগী ট্রেনিং পীবা হৌননবা মীৎয়েং থল্লি।

য়েনগী মখোঙদগী লেদর শেম্বা য়াই হায়বসি হৌজিক্তি মীয়াম্না খঙনরে। হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি সী এস আই আরগী মখাদা লৈবা লেবোরেটরি অমা চেন্নাইদা লৈরিবা সেন্ট্রেল লেদর রিছার্স ইনষ্টিট্যুট হায়না কৌবা ইনষ্টিট্যুট অসিনা দিভলপ তৌবা টেক্নোলোজি অসি লৌরগা মণিপুরদা করম তৌনা য়েন মখোঙদগী লেদর ফংবা য়াগদগে হায়বসি সেন্ট্রেল লেদর রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকা কোলাবরেসন তৌনবগী থৌরাং লম্বীদা লৈরে। মসিগীদমক য়াম্না থুনা...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

মখা লামায় ৩ কলম৪

# টোটেল সট দাউননা মীয়ামদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল,ওক্তোবর ১৫(ঐচএনএস):

ইন্দিয়ানা মণিপুরবু কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দা নম্ফুদা লৌশিনখিবা থৌওং অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা খুৎলায় পায়বা লালহৌলূপশিংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক/টোটেল সট দাউননচিংবা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোক্তনা লোইশিনখ্রে।



নুমিৎ অসি প্রিপাক, প্রিপাক (প্রো), আর পি এফ অমসুং য়ু এন এল এফনা পুনশিল্লগা শেম্বা কোরকোমনা লৈবাক্কী অমম্বা নুমিৎ হায়না মমিং থোন্দুনা টোটেল সট দাউনগী খোঙজং চঙশিনখি। কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল) অমসুং কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) না পুল্লগা শেম্বা অসুকনা নীং-খা তম্বগী নুমীৎ তাখিবা অমম্বা নুমীৎ হায়দুনা ঙসিগী নুমীৎ অসিবু মতম চুপ্পদা মীয়াম্না নীংশিংদুনা লৈহৌনবা টোটেল সট দাউনগী খোঙজং চঙশিনখি। অতৈ তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ কয়ানসু নুমীৎ অসিবু ইনি দয়ানা মণিপুর নমদুনা লৌশিনখিবা নুমীৎনি হায়না লাউথোক্তুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখি।

টোটেল সট দাউনগী মনুংদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকপগী পাউ লৈত্রবসু মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীখি। ইম্ফাল ময়োল লমদম য়াওনা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোনগী ময়োল ওইরিবা মফম পূম্নমক্তা লৈবা দুকানশিং থোঙ লোন্নখি। লম্বী লমজাউদা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ীশিং চেন্নখিদে। লৈঙাক্কী অমসুং লন্নাইগী মহৈশঙ অমত্তা থোঙ হাংনখিদে। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংসু মমিংখক্তগী ওইনা ইমপ্লোয়ীশিং কান্নখি। মদুনা মরম ওইরগা ৱায়েলশঙগী থবক তৌরিবশিংদসু চাউনা অকায়বা পীখি।

ইন্টর ভিলেজ রোদতা সর্ভিস তৌরিবা গাড়ীশিংসু চেন্নখিদে। দিষ্ট্রিক্ট অমগা-দিষ্ট্রিক্ট অমগা ফাওনদুনা চেনবা গাড়ীশিংসু সার্ভিস লেপখি। ইন্টর ষ্টেট বস সার্ভিস লৈখিদে। অদুমওইনমক ফ্লাইট সার্ভিসতি মহৌশাগুম্না লৈখি হায়রি। বন্দ অসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা নীংথিনা মমি তারগসু চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিংদদি থোইনা চৈথেং ফংদবগুম উখি। পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংননবা মফম কয়াদা পুলিস পেকেটশিং থম্বগা লোয়ননা পুলিসকী পেট্রোলিংসু হেন্না কনখৎখি।...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

মখা লামায় ৩ কলম৪

## কেবিনেটকী ৱারেপ থবক্তা ওন্থোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ : সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী আই আর বি বট্টালিয়ন অনী হাংননবগী অয়াবা পীরকপগা লোয়ননা ষ্টেট কেবিনেটতা পুথোক্তুনা পর্সনেলশিং লৌননবা ৱারেপ লৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়না মায়কৈ কয়াদগী পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি। নেসনল হায়ৱেশিং ঙাক শেনবদা শীজিন্নগদবা আই আর বিগী বট্টালিয়ন অনী লিংখৎনবগী অয়াবা অদু মমাঙ চহীদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা পীখ্রবনি। মসিগা লোয়ননা পর্সনেলশিং অদুনা মথৌ তৌগদবা পোষ্টশিং ফাওবা শেমগৎপা হৌখ্রবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# গুৱাহাতি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক তরেৎকা শম্নরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ১৫ (এজেন্সি):

গুৱাহাতি এয়রপোর্টকা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক তরেৎকা শম্নহনগদবা ইন্টরনেসনল এয়র কন্নেক্তিভিটি স্কিম অমা সেন্টরগী সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখ্রে।

উরান (উরে দেশ কা আম নাগরিক) হায়নসু খঙনবা সেন্টরগী রিজনেল কন্নেক্তিভিটি স্কিম (আর সী এস)কী মখাদা গুৱাহাতিগা লৈবাক তরেৎকা শম্নহনবগী থৌরাংসি পায়খৎলকপনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিয়েসন অমসুং অসাম গভর্নমেন্টকী মহুৎ শীন্দুনা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই)না ইন্টরনেসনল এয়র কন্নেক্তিভিটি স্কিম (আই এ সী) উরানগী মখাদা এয়রলাইনশিং খন্নবা বিদশিং কৌখ্রে হায়না রভি কাপুর এদিসনল চীফ সেক্রেটরি (ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ কম্মর্স)না ফোঙদোকখি। এয়র ওপরেটরশিংগী ঈ প্রপোজলশিং কৌবা নোটিসকী মতুং ইন্না, বিদশিং অদু নবেম্বর ২২ ফাওবগী মনুংদা এ এ আইদা সবমিট তৌগদবনি।

হৌখিবা ওগষ্টতা মিনিষ্ট্রি অসিনা পুথোকখিবা দ্রাফ স্কিম অসিদা ইন্টরনেসনল টিকেটিংগী চাং কুমজা ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২০ দা হেনগৎহনবগী পান্দম থল্লি। অহানবা ষ্টেপ ওইনা গুৱাহাতি অমসুং সিঙ্গাপোর, বাংলাদেশ, ভুতান, নেপাল, ম্যান্মার, মালেসিয়া অমসুং ভিয়েটনামগী মরক্তা দাইরেক্ট ইন্টরনেসনল ফ্লাইটশিং ওপরেট তৌগনি। খোঙথাং অসিনা লমদম অসিগী কন্নেক্তিভিটি শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎহল্লগনি।

স্কিম অসিগী মখাদা পায়খৎপা ওপরেসনশিংদা তঙাই ফদবা সপোর্ট পীদুনা স্কিম অসিবু থবক ওইনা পায়খৎপদা কৎথোক্লবা ষ্টেটশিংখক্তনা স্কিম অসি পায়খৎকদবনি। উরান স্কিমবু ইন্টরনেসনল ওইহন্নবা ফন্দ ওফর তৌরিবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ওজা হেন্দকফ চনবা কোহরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৫ (ঐচএনএস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী থৌদোক ৱাথোক্কা মরী লৈননা শজিৱা জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা ওজাশিংবু মশা লায়েংনবা হোস্পিটালদা পুরকপদা পুলিসনা হেন্দকফ তৌরকপগী থৌওং অদু কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা জেল ওথোরিটি অমদি মণিপুর পুলিসকী থৌওং অদু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১৪, ১৯ অমসুং ২১ গী মখাদা মালেমগী লৈরিবা ইন্টর-নেসনল অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন লোবু শিংনবনি হায়না লৌই। মখোয়গী থৌওং অদু ইন্টরনেল কন্সপিরেন্সি অমগী মখাদা ওজাশিংবু ঈকায়বা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মখা লামায় ৩ কলম ২


JOIN! JOIN!

OCTOBER MASS RALLY 2018 FOR PEACE UNITY INTEGRITY

31st October, 2018

Tiddim Ground to Kuman Lampak at 10:30 am.

UNITED COMMITTEE MANIPUR (UCM)

HL-C/16


# মণিপুরগী লম্বীশিং অহোংবা অমত্তা লৈরমদে : য়াসুকো

*নোমিতা খোংবান্তাবম*

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী লম্বীশিং অহোংবা থোইদোক্লা লৈতে, গাড়ী পার্কিংসু মফম চাদবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি হায়না জপান্দগী লাকখিবা য়াসুকো হিগাশিজোনা ফোঙদোরক্লি।

জপানিজশিংনা বিগ ট্রেভল্লর হায়রগা খঙনরিবা য়াসুকো হিগাশিজোগা পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা হায়খি, মণিপুরদা লাকপসি হন্দক্লা অহুম্লক শুরে। লম্বী অসি অহোংবা অমত্তা লৈরমদে। অহানবা লাকখিবা অদু জপান ৱারগী মফমশিং য়েংবা লাকপনি। অনীশুবদনা মণিপুরগী সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাকখিবনি। হন্দক লাক্লিবা অসিনা মণিপুরগী মফম কয়াগী মতাংদা খঙনিংবদগী লাকপনি। অহুমশুবা খোঙচৎ ওইনা মণিপুরদা লাকপসিদা লম্বীসি অহোংবা লৈরমদে। গাড়ী পার্কিংশিং মফম চাদবা অসিনা অৱাবা মায়োক্লরি। ইমা কৈথেলদা চৎপা মতমদা অমগা অমগা থেঙ্গাইনদুনা চৎলি। নোং খজিক্তং তাবদা চৎকদবা লম্বী অসি চমম্লবা ওইহল্লি।



মণিপুরগী চৎনবী অমা ওইনা অঙাংশিংনা চিলদ্রেন পার্কতা শান্নবগী মমি ৱাৎলি। অয়াম্বনা য়ুম য়ুমদা ফাজিন-পুনশিন্দুনা থম্বগী মমি তাই। মসিদা নত্তনা চহী য়াল্লবা অহলশিংসু ঙাইহাক পোথাফম পার্কশিং নীংথিনা লৈবা উদে।

জপানিজশিংনা মনা-মশিং চাবা পাম্মী। মণিপুরদসু মনা-মশিং পাম্না চাই। অদুবু থোং থাকপগী মওংদি খেন্নৈ। মণিপুরনা থুম-মোরোক কা হেন্না শীজিন্নৈ। মণিপুরগী শিংজু অসি য়াম্না পাম্মী। মণিপুরদা লাক্লিবা অসি ফোরেন কন্ট্রিদগী লাকপনি হায়বা পূক্লিংদা ফাওদ্রে। মণিপুরগী চৎনবীদা মীনুংশি লৈবা অমদি অয়াম্বনা জপানগা ইমান মান্নবা অসিনা পোক্লফম জপানগা মান্ননা খল্লে। মণিপুরদা লাক্লিবা অসি লমদম অসিগী মফম কয়াগী মতাংদা খঙনিংবদগী লাকপনি।

মণিপুরীশিং অসি য়াম্না চম্বা, নোকমি...*মখা লামায় ৩ কলম২*

মখা লামায় ৩ কলম২


HL-B/4875/21/09-20/10

